FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.415923
US Dollar	73.687030
British Pound	101.236454
Australian Dollar	53.618804
Chinese Yuan Renminbi	11.395655
Japanese Yen	0.670119
Malaysian Ringgit	17.661458
Singapore Dollar	54.656881
South Korean Won	0.062340
Saudi Arabian Riyal	19.649875
Thai Baht	2.213084

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	46596.00
Mumbai	–	Rs	46990.00
Delhi	–	Rs	46854.00
Kolkata	–	Rs	47190.00

GAS NEWS

PATSOI INDANE
BOOKING UPT0 23/07/2021
VALID FROM 08/07/2021
STOCK 306 DBTL ONLY
CONTACT NO.
+918259013598, 9366445129 and +919383082751
CALL TIMING 8 AM TO 12PM
Pls DON'T, COME AT OFFICE
HOME DELIVERY Only
M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto 27/07/2021
Valid from 16/07/21
Stock 306 nos.
Home Dellivery &Booking Contact numbers 8132036940, 8414824977, 8413936705
Call timing 8 am to 12 noon
Sunday closed
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 21/08/2021
BOOKING UPTO: 23/08/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING : BK. UPTO DATE
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP) 7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking-- Upto Date(14.2kg)
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
TDK GAS
BK. UPTO 24/07/21.
VF.22/07/21.HOME DELIVERY ONLY CONTACT NOS. 6909614353/8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.
M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO 13/07/21
Valid from 06/07/21
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883
M/s K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE - 9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465
MANIPUR GAS SERVICE
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
Booking upto 11/09/2021
Valid from 28/08/2021
JEMON GAS SERVICE SINGJAMEI CHINGAMATHAK
Booking upto 15/09/2021
Valid from 03/07/21
Delivery on Monday
Time 8:00 to 10:00 a.m
Call only enquiry & Complete No 9436039984
Time 7:30 to 10:30
A) 6033989480
Naoriya Pakhanglakpa, Keishamthong, Sagolband.
B) 6033989481
Singjamei, Yaiskul, Wangkhei, Langthabal
C) 6033989482
Thongju , Khurai Wangoi, & other
Plase complaint Delivery after 4 days
Booking After Delivery
Home Delivery Driver contact no.
A) Tokeyo 9362777834 (B) Bikram 9362777835 (C) Sunder 9362777836 (D) Narendra 9362777838 (E) Soman 9362777840

বোর্দর ফেন্সিংগী মতাংদা য়ু সী ...

লামায় ১গী মখা... চৎপা য়ারোই। ম্যান্মারগী ওথোরিটি অমসুং ইন্দিয়ন ওথোরিটিগী মীহুৎশিংসু য়াওনা অপূনবগী ওইনা ৱারোইশিন অমা পুরক্কবা হোৎনফম থোকই হায়খি।

হৌজিক বি আর টি এফনা ৱার্ক ওর্দর পায়দুনা শম্বল খারিবা অসি বাউন্দরি ফেন্সিংলা নৎত্রগা সিক্যুরিটি ফেন্সিং ওইগদৌরিব্রা হায়বদুসু চমম্লবা লৈরি। চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগীদি সিক্যুরিটি ফেন্সিংনি হায়খিবদু ময়েক শেংনা খঙদোক্লনবা বি আর টি এফতা চে থাদুনা শম্বল খাবগী ওর্দর থোরক্লিবা অদু করিগীদমক্তনো হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনরগনি। লাক্কদৌরিবা সেন্ত্রেল টিম অদুদসু হৌজিক সেট্টল তৌদনা ৱাৎহৌরিবা এরিয়াসি কিলোমিটর ৩৫দগী ৫০ ফাওবগীনি। মসিগী মতাংদসু দিমার্কেসন তৌদুনা ময়েক শেংনা থন্বীরমগদবনি হায়বা ৱাফমসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা ফোঙদোক্লমখি হায়রি। হৌজিক চয়েৎনবা লৈরিবসি বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৯দগী ৮৮ ফাওবগী মরক্তনি হায়রি।

দেপ্যুটি স্পিকরগী...

লামায় ১গী মখা... মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা অসি কোকহনবীয়ু। করিগুম্বা হায়জরিবা অসিদা তাবীদ্রবদি মখা তাবা হেন্না কনবা খেঙজং কয়াসু চঙশিনখিগনি হায়রি।

লন্বী ময়ায়দা লৌ লীংবা অমদি লন্বী থিংবগী খোঙজং অদুগী পাউ তাবদগী ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী কাঙবু অমা লাক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লন্বশিং অদু তানখায়দুনা চৎথোক চৎশিন থিংলম্বা অদুসু মহৌশাগুম্না অচৎ-অওকশিংদা অপনবা পীখিদ্রেদি হায়রি।

রিভিয়ু তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা য়ূমথোঙ খূদিংদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎলিবা জল জিবন মিশনগী থবক থৌরমশিং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. আর কে রঞ্জননা রিভিয়ু তৌখ্রে। ওল্ড সেক্রেটরিএটকী কনফরেন্স হোলদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. আর কে রঞ্জননা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা রিভিয়ু মীটিং অদুদা দি সীশিং অমদি পি ঐচ ঈ দিগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ডা. আর কে রঞ্জননা ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা জল জিবন মিশনগী থবক থৌরমশিং অপীবা মতমগী মনুংদা লোইশিন্নবা ওফিসলশিংদা পাউতাক পীখি।

মিরাবাই চনুদা য়ূম্ফম ওইবা লীলা...

লামায় ১গী মখা... ইনখৎলক্লিবশিংগী পূক্লিং থৌগৎপা ওইরসনু হায়খি।

লীলা অসিগী প্রেমিয়র শোগী থৌরমদা সাইখোম মিরাবাই চনু মশামক শরুক য়াবা ঙমখিদ্রবসু মোবাইল ফোনগী খূথাংদা মীয়ান্বু ইকায়খুম্নবা উৎলকপগা লোয়ননা মীয়াম্বু লাপ্লা খুরুমজরকখি। মহাক্কীদমক্তা শুমাং লীলা অমা পুথোকপীরকপা অমদি মহাক্কী অৱা-অনা কয়াগী খোঙচৎশিংবু খঙহনবীবা লীলা অসি পুথোকপীরকপদা চাওথোকচৈ হায়রকখিবগা লোয়ননা মহাক মখা তানা হোৎনখিগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

ঙসিগী প্রেমিয়র শোগী থৌরম অদুদা রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা সনাজাওবা লৈশেম্বা অমসুং ককচীংগী এম এল এ রামেশ্বরসু শরুক য়াখি।

মহৈশঙশিং হাংদোক্লবা ৱারেপ লৌরগনি...

লামায় ১গী মখা... তৌবা য়ানবগী মতম লৌরগা হোৎনমিন্নসি। হৌজিক মহৈশঙশিং হাংদোকপা পান্বা অমসুং পামদবা কয়া লৈগনি অদুনা মফম মতমগী ওইনা য়েংশিন্নবগীদমক নুমিৎ হুমনিগী মতম লৌবা চুম্মী হায়রদুনা মসিগী মনুংদা ৱারেপ অমা থম্লবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

খন্ন-নৈনখিবা অদুগা মরী লৈননা কে এস এগী প্রসিদেন্ট সোরাইসম বিদ্যানন্দনা কোভিদ-১৯গী লায়না অসিনা চহী অনী হেন্না লৈরকপনা মহৈরোয়শিংদা হেন্না অৱাবা মায়োক্ল হল্লে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি খরা কোমথোকপগী ফীভম লাক্লে। অদুবু পুল্লপ হাংদোরক্লগনা করম্বা ফীভমদা লাক্কদগে অমদি হাংদ্রগনা খুদোংচাদবা কয়াসি য়েংলগা অখঙ অহৈশিংগী অপাম পামদা লৌদুনা খন্ন-নৈনবগী মীফম অসি পাঙথোক্তুনা ৱারোইশিন ৱারেপ অমা লৌরগা মদুদা চথবা য়ানবা হোৎনবনি। মসিগীদমক রিসোর্স পর্সন ২০না শরুক য়াদুনা খন্নবনি। নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা ৱারেপ লৌরগনি হায়খি।

কে এস এগী ঐচ আর দি সেক্রেটরি খুল্লাকপম সঞ্জয়না নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মীওইবদা অচৌবা চৈথেং পীরকপা অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক লোকদাউন/কর্ফিয়ু থমদুনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি অদুবু স্কুল কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটি মতম শাংনা থোঙ লোল্লকপা অসিনা মহৈরোয়শিংগী ৱাখল অমসুং হকচাংদা অৱাবা পীদুনা লাক্লি।

কোভিদ লাইচৎ অসিসু শিংনরুবা য়াবসু নত্তবনিনা মহৈরোয়শিংনা অৱাবশিং অসি মায়োক্লরক্লি। নাকল অমরোমদনা মীখল পাঙথোক্লবগী শেম শাবগা লোয়ননা মীয়াম তিনবা/পুনবদি কনানসু থিংদবগুম্না তৌনীংবা মওংদা তৌনরক্লিবসি মীয়াম্না খঙলিবা উরিবা ঙাক্তনি। মফম কয়াদা মী পূনবগী চাং হেনগৎনরক্লি। থোঙ লোল্লম্বা দুকানশিং হাংদোক্ল রক্লে অদুবু মহৈশঙশিংদি থোঙ লোন্দুনা লৈরি। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদগী মহৈশঙশিং হেক্তা হাংলসি হায়বা নত্তে অদুবু খন্নবা/নৈনবা চঙই হায়দুনা পাঙথোকপনি হায়খি।

ঙসিগী পেনেল দিস্কসনদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা ডা. ঐচ কুল্লবিধু, ডা. সুমিতা বেনর্জি, ডা. জেমস এলাংবম, ডা. জুবিলি ৱাহেংবম, ডা. ৱাই মোহেন, ডা. এ বিবেকানন্দ, ডা. সঞ্জিৎ নেপ্রম, নোংথোম্বম জয়কুমার, ডা. লোংজম ইবোচৌবী, সী ঐচ শান্তকুমার, প্রোফেসর দেবানন্দ নিংথৌজম, ডা. এল মহেন্দ্র, অখাম জয়কুমার, এম প্রেমচান্দ, টি ঐচ রোবেন, আর কে বোবিচান্দ,এস সুমতি, ডা. পি বিরচন্দ্র, এস জোতিন অমসুং লাইশ্রম জয়সু ৱা ঙাঙখি।

২২৪ ফগৎলক্লগা...

লামায় ১গী মখা... চান্দেল ৫, সেনাপতি ৬, তমেংলোং ১, তেংনৌপল ১, কামজোং ১৮ অমসুং কাংপোকপীদগী ১নি। ঙসি লৈখিদবা মীওই অমা অসি থারগা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা পূন্না লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীং ১৮৩১ শুখ্রে। লোয়ননা ঙসি থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ২৩৪ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,১৮,৪৯৫ শুখ্রে। অপূনবা ফগৎলকখ্রবশিংগী মশীংনা ১,১৪,৪৭৫ শুবগা লোয়ননা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ২১৮৯ লৈরি অদুগা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৬.৬১নি হায়রি। ঙরাং খক্তদা মীওই ৪৮২৫ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৬,২৫,৮০৫ (অহানবা দোজ ১২,১৪,০৯৯ অমসুং অনীশুবা দোজ ৪,১১,৭০৬) শুরে হায়রি।

ফেসবুকতা ‘মোদিগী অমাংবা শেংঙো য়েংগে’...

লামায় ১গী মখা... সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (সী আই দি/ক্রাইম ব্রাঞ্চ) তা ফোর্মেল কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখি হায়রি।

‘বোবোই নোংমাইথেম’ কৌবা ফেসবুক প্রোফাইলগী মীং অসিদা অপলোদ তৌরক্লিবা ৱাহৈশিং অসিগী মতাংদা পুলিস ওফিসর অসিনা এস পি (সী আই দি/সী বি) তা রিপোর্ট তৌরবা মতুংদা রিপোর্ট অদু অমুক হন্না এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টতা ফোরৱার্দ তৌরকখিবনি হায়রি।

মসিগী মতুংইন্না মীওই অসিগী মথক্তা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৫০৫ (২-বি) গী মখাদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর ১২৪ (৯) ২০২১ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎলক্লিবা কেস অসিগা মরী লৈননা মহাকপু ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩৫ রোম তারকপদা ফাগৎখিবনি হায়রি।

মঙোন্দগী মোবাইল হেন্দসেট (এপল ফোন এক্স আর) অমা অমসুং ফোর জিগী এয়রটেল সিম অমসু রিকোভর তৌরে হায়রি।

অদুম ওইনমক ফারবা মহাক্কী মথক্তা অহেনবা কেস অসিগা মরী লৈননা প্রাইমাফেসি ইভিদেন্সশিং খোমজিন্নবগীদমক মহাকপু কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ খরনি থম্বগী তঙাইফদবা লৈরে হায়জরক্তুনা মহাকপু ঙসি দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা পুথোরকখি।

পুলিসকী মায়কৈদগী মহাকপু ঙসিদগীনা থা অসিগী ২১ ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকখি। পুলিসকী প্রেয়র অসিদা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটনসু অয়াবা পীবদগী মহাকপু নুমিৎ হুমনিগী ওইনা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপোক নুমিৎতগী হৌরদুনা মহাক্লা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা নুমিৎ ওক্টোবর ২০ ফাওবদা চখৎগদৌরিবা অখন্নবা অভিয়ান অসিগী মনুং চন্না থা অসিগী ১৭তা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শামু মখোঙ অমদি জেনিমস হোস্পিটালনচিংবদা লমতু শেংদোক্তুনা মীয়ামদা অমসুং অনাবশিংদা অথুম-অহাওনচিংবা য়েন্থোকপগী থৌরমশিং পাঙথোকখিবনি।

ফিসরিজ লোয়শঙদা রুলগী ৱাংমদা প্রমোসন পীথোক্লব্রা...

লামায় ১গী মখা... মায়কৈদগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফিসরি), লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টর অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি (সেক্রেটরিএট ফিসরি দিপার্টমেন্ট) নি। অদুগা প্রাইভেট রেসপোন্দেন্টশিংনা শগোলমাংগী টাইগর কেম্পতগী পি লক্ষমি চনু, লিলোং চীংখমদগী গাংমৈ লমদিনলিয়ু, খাগেম্পল্লি হুইদ্রোম লৈকায়দগী সরিনা হুইদ্রোম, উচিৱা নাসতাও অৱাং লৈকায়দগী রসিদ অমদ বোগি, রগাইলোংদগী মরিংমৈ মকুচুং, খাবম চুম্ব্রেংথোংদগী সী ঐচ শিম্থোই লৈমা, নাওরেমথোং খুমন্থেম লৈকায়দগী এস অনামিকা, চান্দেলগী খুবোল ভিলেজদগী সুমপি পেখম অনাল অমসুং উখ্রুলগী তোঙৌ ভিলেজদগী এ এস অঙমনি হায়রি। পিটিম্নর অনীনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা প্রাইভেট রেসপোন্দেন্টশিং অসি লোয়শঙ অসিগী হাঙদুনা লৈরকখিবা ফিসরি ওফিসরগী পোষ্ট ৮ অসিবু মেনশিন্দুনা মখোয়বু প্রমোসন পীবা য়াবগী ইল্লিজিবল ওইদনা মরী লৈনরিবা প্রিন্সিপাল রেসপোন্দেন্টশিং অসিগী মায়কৈদগী রিক্রুটমেন্ট রুলস ওফ ফিসরি ওফিসর, ১৯৯৬ অমসুং সেপ্টেম্বর ৪, ২০১৯গী ফাইনেল কম্বাইন্দ সিনিয়ারিটি লিষ্টকী মায়োক্তা মখোয়বু ফিসরি ওফিসর ওইনা প্রমোসন পীখিবনি হায়রি।

লোয়ননা কেস অসিগী পিটিম্নর নম্বর ৱান অমসুং টু ওইরিবা মীওই অনীনা নবেম্বর ১৬, ২০২০দা পাঙথোকখিবা দি পি সীগী প্রোসিদিং অমসুং দি পি সী অদুনা পীরকখিবা রেক্কমেন্দেসনশিং অদুবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৪০ ওফ ২০২১ অমসুং ৪১ ওফ ২০২১ ফাইল তৌরক্তুনা চেলেঞ্জ তৌরকপা লৈরিবনি। পিটিসন অনীসিগা মরী লৈননা কোর্টকী মায়কৈদগীসু জন্যুৱারী ১৮, ২০২১দা ইন্টরিম ওর্দর পীরকখিবসু লৈরি।

চৈরকসিদা, ফিসরি ওফিসরদা প্রমোসন পীবদা ইল্লিজিবল ওইদ্রিবা মীওইশিং অসিবু ফিসরি ওফিসরশিংগী সিনিয়ারিটি লিষ্ট শেমদোক-শাদোক্লগা অমসুং সিনিয়ারিটি রুলস থুগাইদুনা ফিসরি ওফিসর (ইন-চার্জ) শিং ওইনা প্রমোসন পীথোক্লম্বনি হায়রি। মরম অদুনা প্রাইভেট রেসপোন্দেন্টশিং অসিবু অরানবা মওংদা ফিসরি ওফিসর (ইন-চার্জ) শিং ওইনা প্রমোসন পীথোক্লম্বগী ওর্দর অদু ককথৎতুনা চৎনহনবীগনু হায়জরকখিবনি। মেট্টর অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা থা অসিগী ১৭তা লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পিটিম্নর অনীগী মায়কৈদা কাউন্সেল এম দেবানন্দনা লেপ্লদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী সবমিসনশিং কোর্টতা থমখি। কোর্টনা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৬১৪ ওফ ২০২১ ওইনা লৌখৎলবা মেট্টর অসিগী মতাংদা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১দগী ৩ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা ওফিসলশিংদা নোটিশ ইস্যু তৌখি। কোর্টকী নোটিশ অদু গভর্ণমেন্ট এদভোকেট সুকুমারনা লৌখিবগা লোয়ননা কোর্টনা নোটিশশিং অদুগী কোপিশিংসু প্রাইভেট রেসপোন্দেন্টশিংদা য়ৌহনবগা লোয়ননা মথং থাগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা মসিগী পাউখুমশিং পীরক্লবা খঙহনখি অদুগা কেস অসিনা ৱাকৎলকপগী মতুংইন্না ফিসরি ওফিসরদা প্রমোসন পীখিবগী ওর্দর অদু মথংগী কেস অসিগী মখা তানা খন্নগদৌরিবা ওক্টোবর ২৫, ২০২১ ফাওবদি চৎনহন্দনা থম্লে হায়খি।

এম এল এ ওইরগা থবক তৌবা ঙমদ্রবদি মখা তানা ভোট ...

*লামায় ১গী মখা...*ওইবা লৌউশিংবগী থবক তৌবনা অয়াম্বনি। অসিগুম্বা হীরম খুদিংদা অৱাৎপতনা থল্লবা ময়াম অসি মেনখৎপা ঙম্নবা হোৎনগে খল্লি।

ৱাহং : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? এম এল এ খরা হন্দক দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা অদুগী মতাংদদি করি হায়বিনিংই।

পাউ : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অমদি হৌখিবদা পানখিবা লৈঙাকশিং অদুমক মরমদমগী খল্লগা থবক তৌবা ঙাক্তনি। অদুবু ঐখোয় মীচম মীয়াম্না অখন্নবা থবকশিং তৌহন্নিংবগী অপাম্বদি অদুমক লৈখি। শেংনা হায়রবদা কোভিদ লায়চৎকী মনুংদা চেং কেজি ৫ পীবদা ফংই অমদি ফংদে হায়না ৱাথোক থোক্লিবসি লৈঙাক অসিনা এগ্রিকলচর সেক্টরদা ফজনা থবক তৌহন্দুনা চহী অমগী চাবা ৱাৎতনবা শিনবিরবদি অদুগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্লমদবা য়াই। মরম অদুনা ঐ ইশাসু এগ্রিকলচরগী লম্দা রিসর্চ তৌরকপা অমদি এদ্যুকেসন ফংলকপা মরম্না লৈঙাক অসিদা য়াওশিন্দুনা চীঙাক্তা মীপান তাংদবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনগে হায়না খল্লি। এম এল এ খরা দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা অসিগী মতাংদা হায়জনিংবদি এম এল এ অমা ওইরবদি মীয়ামগী খল্লগা থবক তৌহন্নিংই।

ৱাহং : লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুম্ফম ওইরগা মীয়াম মাংদা পুখৎতুনা মীখল মায়োক্লগে হায়না খনবিরি?

পাউ : লৈবাক অসিগী শিংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া তৌখিবা রিজনেল পার্টি অমসু ওইরিবা এম পি পিগী টিকেটতা ভোট লেপক্কনি। নহাশিংদা শিনফম পীবা অমদি মীয়ামগী বেসিক নিদস মপুং ফানা ফংহনগে হায়বা য়ুম্ফমদা ভোট থেংনগনি।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না এ সী অসিগী মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : তশেংনা হায়রবদা শেল পায়রে হায়না ভোট লেপ্পা নত্তে, ঐহাক শেল পায়দে। অদুবু মীয়ামগী থম্মোয় শেংনা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা দিভেলপমেন্টকী থবক তৌনিংই। মীয়াম্নসু ঐগী থবক উরগা ওইনা ভোট থাদবিয়ু। এ সী অসিগীদমক অমদি পোক্লফম লমদম ইমা লৈবাক্কীদমক তৌগে খঞ্জবা থবক ময়াম অমদি লৈ। এম এল এ অমনা থবক কয়া তৌনিংই হায়দুনসু খুদক্তা হেক্তা তৌবদি ঙম্লোই। মরম অদুনা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা মীৎয়েং শান্না প্লানিং অমগী মখাদা থবক তৌবা চঙই। কম্যুনিটি হোল অমদি ক্লব শাবা খক্লা চাওখৎপা হায়বদু ওইরোই। কম্যুনিটি হোল অমদি ক্লব শাবা অদুবু ফৎতে হায়বদি নত্তে। কম্যুনিটি হোল অমদি ক্লব শাবগা লোয়ননা থক্লনবা ঈশিং ফংনবা ৱাটর টেঙ্কশিং শাবিরম্বদি করি কায়বগে হায়বসি ঐগী থম্মোয়দা ফাওবা ৱাহংনি। অদুবু ঐগী ওইনদি মীয়ামগী বেসিক নিদশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা থবক তৌগনি। করিগুম্বা মীয়াম্না ঐগী ৱাখল্লোল অসিবু খঙবিদুনা এ সী অসিগী মীহুৎ অমা ওইনা থাগৎপীরবদি অহানবদা এগ্রিকলচরগী সেক্টরদা মতমগা চুন্নবা মওংদা পুখৎতুনা চীঙাক্তা মীপাল তাংদনবা হোৎনগনি। লোয়ননা এদ্যুকেসন সেক্টরদা অওনবা পুরকপা ঙম্নবা থৌরাং-থৌশিলশিং পায়খৎকনি। নহা কয়া থবক ফংদনা লৈরিবা অসিসু লৈঙাক্কী থবকমক পীবা ঙমদ্রবসু মরোমদোম লেপচদুনা হীংবা ঙম্নবগী ইনকম জেনরেট তৌনবা লম্বী অমমম পীনবা থবক তৌগনি। তশেংনা হায়রবদা মপান লম্দা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা পাম্নদে, প্রাইভেট সেক্টরদনা হেন্না থবক তৌবা পামনৈ। মরম অদুনা ঐখোয়গী লমদম অসিদসু প্রাইভেট সেক্টরদা হেন্না মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা করপসন মাঙহনবা ঙম্বতা নৎতনা য়াইফ-নুংঙাইবা লমদম অমা ওইবা ঙম্লক্কনি। হীরম কয়াদা অন্দ্রো এ সী অসি অৱাৎপতনা থল্লে। মরম অদুনা অহোংবা-অওনবা অমা পুরক্লবা হোৎনগনি।

ৱাহং : নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৫ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট অসিনা য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : ঐখোয়গী ষ্টেটকী জিওগ্রাফিকেল ষ্ট্রকচর অসি চীংগা তমগা য়েংনরুবা মতমদা চীঙগী লম্না হেন্না য়াম্না চাওবা লমদম অমনি। অদুবু তমগী তম্পাক লমদম অসিদদি মী কুংনা তাবা মরম্না লৌউশিংউনবগী থবক তৌফমসু লৈশিল্লক্তরে। মরম অদুনা চীঙগী লমদা লৈঙাকশিংনা তোঙান-তোঙানবা সেক্টরশিংদা থবক তৌনবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈ। অওনবা ষ্টেট অমা ওইরক্লবগীদমক অশানবা মীৎয়েং থমদুনা নহাশিংদা হেন্না মীৎয়েং চঙদুনা মখোয়না পামজরিবা থবকশিং অদু মপুংফানা তৌবা ঙমজনবা মতেং পাংহন্নিংই। তশেংনা হায়রবদা ঐ ইশামক ওর্গনিক এগ্রিকলচরদা মাষ্টর লোইশিল্লবা মতুংদা লম্ অসিদা করিগুম্বা থবক খরা তৌনিংবদগী প্লানিং তৌরকপা হৌরকপদা শেলগী মথৌ তারকপদগী বেঙ্কশিংদা লোন পীবিনবা হায়জরুবদা লোন ফংখিদে। ঙসিসু অদুমক তোঙান-তোঙানবা নহাশিংগীনি হায়দুনা লোনগী খুদোংচাবা পীরি হায়রবসু অরায়বা মওংদা খঙন-চানবা লৈত্রবদি লোন ফংদবগী ফীভমদা অদুমক লৈরি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা স্কিমশিং অসিবু ফংফম থোকপা মীওইশিংদা চপচানা ফংহনবা ঙম্লবদি খোঙজেন য়াঙনা চাওখৎপা ঙমগনি খল্লি।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : বি এস সী এগ্রিকলচর সাইন্স লোইশিল্লবা মতুংদা নেদরলেন্দসকী মমিং লৈবা ৱাগনিগেন য়ুনিভর্সিটিদা ওর্গানিক এগ্রিকলচর (এগ্রোইকোলোজি)দা মাষ্টর লোইশিনখি। অপোকপগী মীংনা অসৈবম তোমচৌ অমদি অপোকপীগী মীংনা অসৈবম ওংবি থোইনু কৌই।

ৱাহং : পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়না পার্টিশিংগী মেনিফেস্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : ঐনা এ সী অসিগী তৌগে খঞ্জরিবা থবক অসি মরুওইনা থবক তরেৎ খক অহানবা ওইনা তৌগনি। এম এল এ অমা ওইবগী থাগী তোলোপ অমদি লোকেল এরিয়া দিভেলপমেন্ট ফন্দগী শেনফমশিং অদু শুপ্নগী এ সী অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং খক্তদা থাদরবদি ঐনা তৌগে খঞ্জরিবা থবকশিং অসি শোয়দনা মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি হায়বগী চপচাবা থাজবা লৈ। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্কী লৈরিবা স্কিমশিং পুথরক্তুনা অওনবা এ সী অমা শোয়দনা পুরকপা ঙম্নবা থবক তৌগনি। এ সী অসিগী পাঙথোক্কে খল্লিবা থবকশিংগী প্লানিংসু লোয়না য়াৎপা লোইরে। করিগুম্বা ঐনা এ সী অসিগী পাঙথোক্কে খল্লিবা থবকশিং এম এল এ ওইরবা মতুংদা পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি পুন্সিগী মখা তানা ভোট লেপ্লোই।

ৱাহং : এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অপুনবা ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? নন মণিপুরী ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ : টোটেল ভোটর অসি চাওরাক্লা লিশিং ৩৪ হেন্না লৈ অদুগা পোল্লিং ষ্টেসননা ৪৪ লৈ। নন মণিপুরী ভোটরদি লৈতে।

ৱাহং : পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাঙ ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : পোলিটিক্স তৌবা মীওইশিং ফতনা ঙাঙনরম্বা য়াই। অদুবু ঐখোয়না পোলিটিক্সতা চঙলক্লিবা অসিদি তশেংনা দিভেলপমেন্ট পান্বা অমদি অওনবা চাওখৎপা লমদম অমা ওইহনবা পান্বদগী চঙলকখিবনি। প্লেটোনা হায়বিরম্বা ৱাফম অমা লৈ ‘করিগুম্বা ঐখোয়না গভর্ণনেন্সতা য়াওনিংদবা তারগদি ঐখোয়গী মখা তাবা মীওইশিংনা রুল তৌরকপদা ইশানা য়াজগদবনি।’ মরম অদুনা পোলিটিক্সতা য়াওবা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্কী ইথৌদাংনি। ঐহাক্লা পোলিটিক্সতা চঙলক্লিবা অসি পৱার পায়গে হায়না চঙলকপা নত্তে, দিভেলপমেন্ট পোলিটিক্স তৌবা পাম্মী। মরম অদুনা পোলিটিক্সতা চঙলকখিবনি। ষ্টেট অসিগী এম এল এ ৬০না অমত্তা ওইনা মশাগী খন্দনা লৈবাক্কী খল্লগা থবক তৌনরক্লবদি অপিকপা ষ্টেট অমসু ওইবা মরম্না য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎলক্কনি হায়না থাজে।

ৱাহং : করসপন চাওনা লৈরে পুম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : চহী খরগী মমাংদা দিপার্টমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর সোইল কঞ্জর্ভেসন মণিপুরগী থবক কৌরকপদা ঐহাক ৱেটিং লিষ্ট নম্বর ১দা লৈরি হায়বিরকখি। অদুবু মখা তানা করিমত্তা হায়বিরকখিদবা অমদি ঐহাকসু দেল্লিদা লৈবা মরম্না ঐগী মতুংদা ৱেটিং লিষ্টতা লৈখিবা মীওইশিং অদু ওইনা খন্দুনা থবক তৌখ্রে। মতম অদুদা কেস তৌগে হায়নদি খল্লম্মী অদুবু থবক অদুগীদমক শেল লুপা অমা ফাওবা পীখিদবা অমদি শেলসু লৈতবনা চহীসু য়াম্না চঙগদবা মরম্না কেস তৌদনা ঐনা তৌজরিবা থবক অসিদা অদুমক মখা তানা তৌরগে হায়না তোকখি। হায়জ নিংবা ৱাফমদি লমদম অসিদগী করপসন হন্থহনসি হায়রবদি ইশা-ইশানা হান্না করপসনগী মায়োক্তা লৈবা চঙই।

ৱাহং : থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : থবক লৌবদা নিয়ম চুম্না লৌহন্নিংই। লৈঙাক্কী থবক তৌদ্রবসু মশানা হিংজবা য়াবা শিনফমশিং লৈঙাক্লা পীবিনবা হোৎনরবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি। লৈঙাক্লা নহাশিংগীনি হায়না পায়খৎলিবা ষ্টেন্দ অপ অমদি ষ্টার্ট অপ হায়রিবা স্কিমশিং অসি রাইট পার্সনশিংদা ফংহন্নিংই। ঐখোয় মীচম নহা অমনা এপ্লাই তৌবদা মীং ফাওবা য়াওবিরক্তে। মরম অদুনা লৈঙাকশিংনা অমদি মরি লৈনবা মীওইশিংনা পুকচেল শেংনা পীফম-ফংফম থোকপা থবক ফজনা তৌরক্কদবা রাইট পার্সনশিং অদুদা হায়রিবা স্কিমশিং অসি ফংহল্লবদি থবক ফংদবগী প্রোব্লেম তপ্না-তপ্না হন্থখিগনি খল্লি।

সেপ্টেম্বর ২১দা মণিপুর বন্দ তৌরগনি ...

*লামায় ১গী মখা...*অথিংবা অসিদগী কোমথোক্লোই হায়রি।

মর্জর এগ্রিমেন্টকী নুমিৎ অসি নীংশিংদুনা ঐখোয়গী মীয়াম খন্থবা য়ৌশিনসি। নুমিৎ অসি মণিপুর হায়না খঙনরিবা স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ পাক চাউবা মনীং তম্বা চীংলৈবাকনা লৈবাক অসিগী খূত্তা তাখিবা নুমিৎ অদুনি। নুমিৎ অসি ঐখোয়গীদি খ্বাইদগী অচৌবা মায়থীবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসিবু অদোম্না লায়না খল্লিবমখৈ অদোম লৈখা তাবা হায়বদু ওইরিবনি কাউবীগনু। লৈবাক অসিনা মণিপুরগী মথক্তা চথখিবা অচৌবা অরানবা অসিগী মখাদা ঐখোয়বু নমশিন্দুনা, পংথদুনা হিংগদবা নত্তে। য়াফম শুংথোক থোক্তে। মসিগী মায়োক্তা ঐখোয়গী নীংতম্বা ফংদ্রিবা ফাওবা খোঙফম হন্দনা ঐখোয় লেপকদবনি। লৈবাক অসিনা অঙম্বা উৎতুনা ঐখোয়গী নীংতম্বা মাঙহনখিবা নুমিৎ অদুগী খোঙফম অদু হন্দোক্কদবনি। মর্জর এগ্রিমেন্ট হায়না খঙনবা ঐখোয়গী ঙসিগী মীরোলনা কাউথোক্লরকপা, ইরায় লায়থোকপগুম থৌশানরক্রিবা অসিগী মরালসু লৈবাক অসিগী ওইগদবনি। মণিপুরনা লৈবাক অসিদা মর্জ তৌরে হায়বগী অয়াবা খূৎয়েক লৌনবা লৌনম চে অদুসু লৈবাক অসিনা হান্না থৌরাং তৌদুনা শেম শাদুনা থন্মী। অচেংবা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈখি। তাঞ্জা অদু লৌনবা মতমদুদা ইম্ফালদা থম্বা লৈবাক অসিগী দেৱাননা খুজিন থৌরাং তৌদুনা মণিপুর লৈঙাক্তা কা হেন্না খূৎ থিংজিনখি। মণিপুরদা ঈরাং শাগৎখি। ইম্ফাল ময়োলদা ফোংনা শা-ষণ হাৎহনবা অসি কাঙলূপ অমনা পামদবা থবক, কাঙলূপ অমদা ইনশিন্দুনা তৌহনখিবনি। মতমদুগী ইন্দিয়ন কোংগ্রেস আইদিওলোজিদা ঙাওজবা মণিপুর মচা মীওই খরা নেক্তুনা চিরোল তৌশিল্লগা মণিপুর লৈবাক অসিদা তিনগদবনি হায়বনচিংবা খোল্লাউ মচা-মচা লাওহন্দুনা ঈরাং শাগৎখি। মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্টকী য়ানবগী ৱাংমদা দেৱান অমনা তৌগদবা মথৌগী ৱাংমা লান্না থবক তৌরকপা ৱাথোক অসিগীদমক নিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিলোংদা লৈবা অসামগী গভর্ণর প্রকাস উনবা চৎপদা লৈবাক অসিনা খুদোংচাবা ফংখি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা খুদোংথীবা নংখি হায়বদি হান্ননা থৌরাং তৌরগা লাং অমদা নিংথৌ বোধচন্দ্রবু লৈবাক অসিগী লান্মীশিংদগী নান্থোকপা ওইথোক্তনা থমখি। নীংতম্বা লৈবাক মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা মণিপুর লৈ। মণিপুর লৈঙাক্কী পাঙ্গল নিংথৌদা লৈতে অমসুং থমদে। মণিপুরগী কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদা অমসুং মসিগী মায়োক্তা নিংথৌনা থবক তৌবা য়াদে হায়রবসু মণিপুর লৈঙাক্কী অয়াবা ৱাহং পাউহং তৌদনা নমজা-নমথেক্লদুনা নমদুনা মণিপুরবু লৈবাক অসিদা তিনবগী খূৎয়েক নিংথৌবু উশিন ওইনা শীজিন্নরবা মতুং অরোনবা ওইনা থমদুনা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা ওফিসল ওইনা লাউথোক্ত্রিঙৈ লৈবাক অসিগী লান্মীশিং মণিপুরদা থাজিন্দুনা ঙসি ফাওবা লৈরি হায়রি।

তশেংনা ঐখোয় সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৯গী মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট করম্না য়াফম থোকপনো অমদি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা মসিবু চুমদে হায়না হায়বা ঙম্লবদি লালহৌলূপ অমা ওইরিবা নেসনল রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট ওফ মণিপুর (এন আর এফ এম) খূৎলায় থাদোক্কে হায়রি।

মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক লমদম অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিগুম্বা লৈবাক অসিগী উশিত্তবা লোনচৎপু শীংনদুনা ঐখোয় লৈবাক অসিদগী নীংতমগে হায়বা নত্তে। ইশাগী ইরোমদোম লৈজরম্বা ঐখোয়গী নীংতম্বা অদু তাঞ্জবনি। ঐখোয়গী খুন্নাইনা চাওখৎপা অমসুং চাওখৎতবা অনীগী ৱাফমগসু মরী লৈনদে। অনী অসিদসু পাউথংনদুনা অমসুং শীংনদুনা ঐখোয় লৈবাক অসিগী মথক্তা লান তৌবা নত্তে। চাওখৎপা হায়বসিদি মীওইবা ঐখোয়দা চুদুনা চৎচবা থৌওংনি। তপ্না অমসুং থুবা চঙই। খেন্নবা অদুনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদুগী থাক অমদি লৈবাক অদুবু ঙাক্লিবা লৈঙাকলোইশিংদুগী মতিক ময়াই উৎফমনি হায়রি।

হৌজিক মণিপুরগী মরু ওইরিবা তাঙ্কক্তি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ঐখোয়গী খুন্নাইগী থনুং য়ৌনা খোঙ থাংজিনখ্রবা অসিনি। মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়গী লৈজরম্বা নীংতম্বগা শাগোন্নজবা খুন্নাই অসিগী তংদু লৈতানা লৈজবা নাটকী শক্তম, শেন্মীৎলোনগী থৌশিল, মহৌশাগী লম্মীৎলোন অমদি খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপ মশেলগী ৱাখল্লোন্নচিংবা অসিনি। লোয়ননা লৈবাক অসিগী চাওখৎ খোঙথাংগী মীংদা অপিকপা য়েলহৌমীশিংগী মথক্তা পীরকপা অফোংবা ইন্দিয়ানাইজেসনগী খোঙথাংনা ঐখোয় লাখ ৩৫গী মথক্তা ক্রোর ১৩৫না ঈশিংনা লেপ থুমজিনবগুম থুমজিল্লকপা অসিনি হায়রি।

অপিকপা ফুরুপ ঐখোয়গী ইথক্তা অসুম্না লিশাং শিৎনা চথরকপনা ঐখোয়গী খুন্নাইগী ঙসিগী মীরোলনা ঐখোয় নীংতম্বা লৈবাক অমা লৈরম্মী হায়বা অদু মরুম অমনা খনজিন্দুনা থাজরক্তবা ওইরে অমসুং থোকহল্লে। ঐখোয়গী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা হায়বদা ঙকচানবা মীওইশিং থোরক্লে। মসি লৈবাক অসিগী অচৌবা চুমদবা অমনি। মসিদগী ঈংথবা হায়বদু খক পুরকপা ঙম্লোই হায়রি।

ꯁꯤꯅꯤ/ **“CINE TV MANIPUR“**
Only on **ISTV** *&* ***Impact tv***

Now Watching :	Coming shortly :
Cine talk, Ningsing Khonthang, Hello Cine tv, Music Video Albums, Manipuri Films etc.	*Cine Quize, Adomgi Wahang Eikhoigi Paokhum, CineTv ga Nongma, Amuktang Unajage, Manipuri Teleplay & Tele Serial, New films etc.*

Ngasimak Adomgi LCO Unabiyu Amadi Subscribe Toubiyu.

ISTV (*Pay Channel*) : SD-112 & HD-125
IMPACT TV (*Basic*) : SD-111 & HD-705

Anouba Thouram Kaya Hapchinbaga Loinana Film Premiere Channel Ama Hangdoktuna Athuba Matamda Anouba Manipuri Filmsing Premiere Show hounabasu Hotnajari.

Cine Tv Adomgini. Cine Tv Meeyamgini.

CINE TV MANIPUR **CINE TV MANIPUR**

HL/P/6919/15-24

BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ/NOTIFICATION

Imphal the 18th September, 2021

No. G/13 (Vol-VII)/2021 (DR) It is hereby notified that the list of applicants who had submitted Applications in on-line mode and also had paid successfully for the posts of Section Officer/ A.S.O (Assistant Programmer) / Accountant / LDA (Data Assistant) / Peon / Sweeper is uploaded in the website "www.bosemrecruitment.in" and candidates may check their names in the above website.

HL//P/100/19, 20

Sd/- Dr. S. Mangijao Singh, Secretary